## ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬

# রাফেল কোলোগী ফ্রি কিক্কী পাঞ্জলনা এফ সি গোৱা মায় পাকহন্দুনা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী পোইন্ট টেবলদা মমৈদগী অমা হাইগৎখ্রে



গোৱাগী রাফেল কোলোনা পুনে সিটি এফসিগী মায়োক্তা পাঞ্জল চনখিবা ফ্রি কিক অমা কাউখিবগী মতাং

*পুনে, নবেম্বর ০৩ ঃ*

ঙসি মহারাস্ত্রগী সহর পুনেদা লৈবা বালেৱারিগী শ্রী সিব ছত্রপতি স্পোর্টস কমপ্লেক্স ষ্টেদিয়মদা য়ুম্বু এফ সি পুনে সিটিগা এফ সি গোৱাগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা গোৱাগী মায়কৈদগী রাফেল কোলোনা কাউখিবা য়াম্না ফজরবা ফ্রি কিক অমগী পাঞ্জলনা পুনেগী টিম অদু মায়থিবা পীদুনা গোৱাগী টিম অদু চথরিবা ৩ শুবা হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগকী টিম ৮ শরুক য়ারিবা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মমৈদা লৈরম্বদগী অমা হাইগৎলগা ৭ শুবদা লৈবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদু টিম অনীমক্কী ওইনা চথরিবা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী মকোক থোংবা টিম ৪ গী মনুংদা লৈননবগী মায় পাক্তবা য়াদবা মেটচ অমা ওইখিবনি।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা জগাশিংদা শেমগৎখিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুনা য়ামদ্রবদা ৪ শুবা পোজিসন ফাওবা য়ৌননবা কন্না হোৎনরিবনি। মরমদি টিম ৪ গী মনুংদা মকোক থোংবা টিম ৪ না লীগ অসিগী সেমি ফাইনেল ষ্টেজ য়ৌগদৌরিবনি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী হৌরকপা পুংখায় অমা হৌজিল্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি। অদুবু এটেক তৌখিবগী চাংদা খুদোং চাবা খরা হেনখিবা এফ সি গোৱাগী মায়কৈদগী পুশিল্লকখিবা বোল অমদা এফ সি পুনে সিটিগী দিফেন্দরশিংনা নিয়ম লান্না থিংলুবদগীদমক ফ্রি কিক অমা এফ সি গোৱানা ফংখি।

শান্নবগী ৩৩ শুবা মিনিট অদুদা এফ সি গোৱাগী মায়কৈদগী ফ্রি কিক কাউননবা রাফেল কোলোনা শেম শাখি। মহাক্কী সোট অদুনা এফ সি পুনে সিটিগী ৱাল শোকহন্দনা চঙহনখিদুনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু ওইখি।

পাঞ্জল হেল্লবা এফ সি গোৱানা মখা তাবা এটেকশিং চত্থনবা হোৎনরিঙৈ এফ সি পুনেসু ইক্কেলাইজর অদু থিরকখি। মেটচকী অপীবা মিনিট ৯০ গী মতুংদা ইনজুরি টাইমগী মিনিট খরা হাপ্লবসু এফ সি পুনে সিটিনা মখোয়গী মথক্তা গোৱানা চনশিল্লকখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা চথরিবা আইএসএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলগী মমৈদা লৈরি।

**Match on 04/11/2016**

Delhi Dynamos FC vs Kerala Blasters FC

**ISL SEASON 3, 2016**

| POS | TEAMS | M | W | D | L | GF | GA | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | ATLÉTICO DE KOLKATA | 7 | 3 | 3 | 1 | 8 | 6 | 2 | 12 |
| 2 | MUMBAI CITY FC | 8 | 3 | 3 | 2 | 8 | 7 | 1 | 12 |
| 3 | DELHI DYNAMOS FC | 7 | 2 | 4 | 1 | 10 | 7 | 3 | 10 |
| 4 | CHENNAIYIN FC | 7 | 2 | 4 | 1 | 8 | 7 | 1 | 10 |
| 5 | NORTHEAST UNITED FC | 7 | 3 | 1 | 3 | 6 | 5 | 1 | 10 |
| 6 | KERALA BLASTERS FC | 7 | 2 | 3 | 2 | 4 | 4 | 0 | 9 |
| 7 | FC GOA | 8 | 2 | 1 | 5 | 5 | 11 | -6 | 7 |
| 8 | FC PUNE CITY | 7 | 1 | 3 | 3 | 5 | 7 | -2 | 6 |

## বিএনপি পরিবাস পেরিস মাষ্টর্স ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৬

# কানাদাগী মিলোস রাউনিক পেরিস মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে, ক্রোএসিয়াগী সিলিক অমসুং য়ু এসকী সোকসু ক্বার্টর চঙখ্রে



পেরিস মাষ্টর্সকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা কানাদাগী মিলোস রাউনিক

*পেরিস, নবেম্বর ০৩ ঃ*

ফ্রান্সকী সহর পেরিসতা চথরিবা পেরিস মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দ মেটচ অমদা কানাদাগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৪ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়াখিবা মিলোস রাউনিকনা প্যাটোরিকোগী পাব্লো কিবাজপু সেট ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে। মহাক্তা নত্তনা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক অমসুং য়ু এসকী জে সোকসু ক্বার্টর চঙখ্রে।

ঙসিগী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ শান্নখিবদা কানাদাগী মিলোস রাউনিক অমসুং প্যাটোরিকোগী পাব্লো কিবাজগী মেটচ অদু হৌরকপদা য়াম্না লম্বা মান্নরকখ্রবা মতুং কিবাজনা রাউনিক্কী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪ দা অহানবা সেট থোইখি।

অনীশুবা সেটতদি কানাদাগী শান্নরোই অদুনা হৌরকপদগী হৌনা য়াম্না খুদুম চনবা মওংদা শান্নবা ঙমদুনা কিবাজকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-১ দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নদুনা লাকখি। অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা রাউনিক্না মহাক্কী ফজবা মশান্না অদুগী খুদোং চাবা লৌদুনা কিবাজগী সার্ভিস গেম অমা ঙন্না ব্রেক তৌবা ঙমদুনা অরোইবা সেট অদু ৬-২ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবনি।

ফ্রান্সকী শান্নরোই রিচার্দ গাস্কি অমসুং য়ু এস এগী জে সোকনা শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জে সোকনা সেট ২-১ দা মায় পাকখি।

অহানবা সেট জে সোকনা ৬-২ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদুদা ফ্রান্সকী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা রিচার্দ গাস্কিনা ৬-৩ দা অমুক থোইদুনা সেট অমমম মান্নখি। অরোইবা সেট অদু য়াম্না কন্না লম্বা তৌনরকপদগী গেম ১০ লোইশিল্লবা ফাওবদা গেম ৫-৫ থোইনদুনা লৈরকপদগী য়ু এস এগী সোকনা মখা তাবা গেম অনী থংন-থংননা থোইখিবদগী ৭-৫ সেট অদু মহাক্না ঙমদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

পেরিস মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিকনা বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিনবু সেট ২-০ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

সিলিক্না গোফিনগা শান্নখিবা সেট অদু ৬-৩ দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা সেটতদি গোফিনগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উৎতুনা সিলিক্কী সোট খুদিংমক লম্বা পীবা ঙন্নকখি। অনীশুবা সেট অদুগী গেম ১২ লোইশিল্লবা ফাওবদা শান্নরোই অনীনা গেম ৬-৬ থোইনদুনা লৈনখিবদগী টাই ব্রেক শান্নরকখি।

টাই ব্রেক অদুদসু অমনা অমবু হেনজিন্নবা ঙম্নখিদবদগী পুন্না সার্ভিস পোইন্ট ১৮ শান্নবা লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৯-৯ দা মান্নদুনা লৈখি। অদুবু ক্রোএসিয়াগী সিলিক্না থংনবা পোইন্ট অনী লৌখিবা টাই ব্রেক অদু মহাক্না ১১-৯ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দ শান্নখিবদা মায় পাকখ্রবশিং অদুদি ফ্রান্সকী গাইল সাইমন অমসুং গ্রেট বৃটেনগী ৱার্ল্ড নম্বর টু শান্নরোই এন্দি মুরেনি।

গাইল সাইমননা স্পেনগী বোটিষ্টা আগুটপু ২-৬, ৬-১, ৭-৬ (৮-৬) তা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দগী জেক রিপব্লিক্কী টোমাস বর্দিসকা লম্বা তৌনরগনি। অমরোমদা ৱার্ল্ড নম্বর টু বৃটেনগী এন্দি মুরেনা স্পেনগী ফর্নান্দো বর্দাস্কোবু ৬-৩, ৬-৭ (৫-৭), ৭-৫ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবা ফ্রান্সকী এল পোলিগা থেংনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানানা কানাদাগী দেনিয়েল নেস্তরগা জুরা ওইদুনা শান্নরকপদা ফ্রান্সকী জুরা এল পোলি অমসুং জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গাবু ৭-৬ (৮-৬), ৬-৭ (২-৭), ১৪-১২ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মখোয়না ক্বার্টর ফাইনেলদা ওষ্ট্রিয়াগী জে জো রোজর্স অমসুং বলগেরিয়াগী ঐচ টেকাওগী জুরা অমদি য়ু এস এ গী জুরা এন মোনরো অমদি জে সোককী অথোইবদুগা লম্বা তৌনরগনি।

দবলসকী অতোপ্পা মেটচশিংদা মায় পাকখ্রবা নম্বর ৱান জুরা ওইরিবা ফ্রান্সকী পি ঐচ হর্বর্ট অমদি নিকোলাস মাহুটকী জুরাগা ফ্রান্সকী জুরা ফেলিসিয়ানো লোপেজ অমসুং মার্ক লোপেজগী জুরানা সেমি ফাইনেল য়ৌনবগীদমক ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

# রাউন্দ রোবিনগী অনীরকশুবা মেটচতা চাইনাগী স্বাই ঝাং মায় পাকখ্রে

*ঝুহাই, নবেম্বর ০৩ ঃ*

চাইনাগী সহর ঝুহাইদা ঙসিদগী হৌখিবা দব্লিয়ুটিএ ইলিট ট্রোফি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দ রোবিন মেটচ অমদা য়ুম্বু চাইনাগী শান্নরোই স্বাই ঝাংনা হঙ্গেরিগী শান্নরোই টিমিয়া বাবোসপু মায়থিবা পীদুনা মেটচ অনী শান্নবদা অনীমক মায় পাক্তুনা ফজবা ঙল্লি।

স্বাই ঝাংনা টিমিয়া বাবোসপু অহানবা সেট অদুদা টাই ব্রেক্তা ৭-৬ (৭-২) দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদুসু ৬-৪ দা থোইখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা রুশিয়াগী শান্নরোই এলিনা ভেসনিনাবু ৬-৪, ৬-২ দা থোইদুনা মহাকসু রাউন্দ রোবিনগী মেটচ অনী থংন-থংননা মায় পাকপা ঙল্লি।

অহুমশুবা ওইনা শান্নখিবা মেটচ অদুদনা ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই সামান্থ ষ্টোসুরবু ৬-৪, ৬-৩ দা থোইখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান শান্নরোই ওইরিবী বৃটেনগী জোহানা কোন্টাগা গার্সিয়াগা থেংনগনি। অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী জেক রিপব্লিক্কী পেট্রা কিটোভানা মহাক্কী লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোই বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা শান্নগনি। অদুগা অহুমশুবা মেটচতনা বেলজিয়মগী কিকি বর্টেন্স অমসু রুশিয়াগী এলিনা ভেসনিনাগা থেংনরগনি।

# ৱেষ্ট ইন্দিজনা পাকিস্তানবু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীখ্রে

*সারজা, নবেম্বর ০৩ ঃ*

পাকিস্তান অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজনা য়ুএইগী সহর সারজাদা শান্নবা অহুমশুবা টেষ্ট মেটচ অদু ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙসি ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীবা ঙমখ্রে।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী মায়কৈদগী ক্রেগ ব্রাটৱাইটে অমসুং সেন দোরিসনা আওট ওইদনা লৌখিবা হাল্ফ সেঞ্চুরি অনীনা য়ুম্ফম ওইরগা টিম অসিনা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগা শান্নরকখিবা টেষ্ট মেটচ ১৪ গী মনুংদা হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইনা মায় পাকপা ওইরি।

পাকিস্তান অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজগা শান্নবা ৩ শুবা টেষ্ট মেটচ অদুগী ঙসি ৫ নি শুবা নুমিৎতা মায় পাক্লনবগী লৌগদবা রন ১৫৩ গী টার্গেট অদু ৱিকেট ৫ তুরগা লৌবা ঙমদুনা মায় পাকখিবনি।

ঙরাং ৪ নি শুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী টিম অদু ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১১৫ লৌখিবনি। মদুদা আওট ওইদনা লৈখিবা ব্রাটৱাইটে অমসুং দোরিসনা ঙসি অরোইবা নুমিৎকী অয়ুক্কী সেসন্দা মখা তানা মায় পাক্লনবা লৌগদবা রন ৩৯ অদু লৌদুনা পাকিস্তানবু টেষ্ট অদুদা মখোয়না ৱিকেট ৫ দা থোইখিবনি।

ব্রাটৱাইটে অমসুং দোরিস আওট ওইদনা রন ৬০।৬০ লৌবা ঙমখি। পনবা য়াবদি ব্রাটৱাইটেনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী অহানবা ইন্নিংসতা আওট ওইদনা রন ১৪২ লৌদুনা মায় পাকপগী অচৌবা থৌদাং অদু মহাক্না লৌখিবনি।

# খান্না প্রসিদেন্টকী ফমদগী হন্দোকখ্রে



*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৩ ঃ*

ওল ইন্দিয়া টেন্নিস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্টকী ফমগী মীখলদা শরুক য়াররোই হায়না হান্না প্রসিদেন্ট ওইরম্বা অনিল খান্না ঙসি ন্যু দিল্লিদা ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি চৎলিবা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৩ ওল ইন্দিয়া টেন্নিস এসোসিয়েসনগী চহীগী মীফমদা খান্নাবু অনীরকশুবা টার্মগী ওইবা প্রসিদেন্ট খনখিবনি। অদুবু লৈবাক অসিগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রি অমসুং এসোসিয়েসন অনীগী মরক্তা চয়েৎনবা খরা লাকখিবদগী মহাক্না কুমজা ২০১২ দগী এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্টকী ফম পায়কপা অদু মখা তানা পায়বদা চয়েৎনবা লাকপদগী প্রসিদেন্টকী ফমদগী মশামক্না লৌথোকচখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্টরনেসনেল টেন্নিস ফেদরেসনগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা অনিল খান্না স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগা ওল ইন্দিয়া টেন্নিস এসোসিয়েসন অনীগী মরকতা লৈনরিবা চয়েৎনবা অদু নাথৈদুনা থল্লগা মহাক প্রসিদেন্টকী ফম অদুদগী হন্দোকখিবনি হায়রি।

# ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী কবাদ্দি টিমগী শান্নরোইশিংদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লাক্ষ ১০ /১০ পীরগনি

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৩ ঃ*

ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর বিজয় গিওলনা ঙসি ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা কবাদ্দিগী ৱার্ল্ড কপ্তা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংদা পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা লুপা লাক্ষ ১০। ১০ পীরগনি হায়না লাওথোকখ্রে।



পনবা য়াই মমাঙগী সিজনদা ইন্দিয়াগী কবাদ্দি টিম অদুবু অনুপ কুমারনা লুচিংখিবনি। মখোয়না ৱার্ল্ড কপ অদুগী অহৌবা মেটচতা সাউথ কোরিয়াগী মখুত্তা মায়থিবা নংখ্রবসু মদুগী মতুং মখা তানা শান্নরকখিবা মেটচশিং অদুদা য়াম্না অহেনবা মশান্না উৎপা ঙমখিবদগী টাইটল লৌবগী থৌনা অদু লাকখিবনি।

লৈবাক অসিগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা ঙসি ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না কবাদ্দি ৱার্ল্ড কপকী চেম্পিয়ন ওইরবা কেরলা মচা অনুপ কুমারনা লুচিংখিবা শান্নরোই খুদিংমক্তা শেলগী মনা ওইনা লুপা লাক্ষ ১০। ১০ পীরগনি হায়না লাওথোকখিবনি।

হন্দক্তা লোইশিনখিবা কবাদ্দি ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেল মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী টিম্না ইরানবু পোইন্ট ৩৮-২৯ দা থোইদুনা এসিয়াগী ওইনা চেম্পিয়ন ক্লব অমা ওইখিবনি।

গুজরাটকী অহমেদবাদ সহরনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা কবাদ্দি ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেল মেটচ অদুদা ইরানবু থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি। ফাইনেল মেটচ অদুদা ইন্দিয়ানা ইরানবু মায়থিবা পীদুনা কবাদ্দি ৱার্ল্ড কপ অসিগী টাইটল অহুম্লক শুবা ওইনা লৌবা ঙমখিবনি।

চেম্পিয়ন ওইখিবা ইন্দিয়াগী টিম অদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোই খুদিংমক্তা লুপা লাক্ষ ১০ গী মনা লাওথোকখিবগা লোয়ননা স্পোর্টস মিনিষ্টরনা মখা তাখিবদা ইন্দিয়াগী ওইনা মীয়াম্না কা-হেন্না পাম্নরিবা মশান্না ক্রিকেট, হোক্কি অমসুং ফুটবোলদা নত্তনা কবাদ্দি মশান্না অসিসু হেন্না পাম্নবগীদমক শেলগী মনা অসি পীখিবনি। হায়খি।

চেম্পিয়ন ওইখিবা ইন্দিয়াগী টিমগী কেপ্টেন অনুপ কুমারনা ফোঙদোকখিবদা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী মায়কৈদগী উৎলকখিবা মশান্নশিং অদু য়াম্না শিংথানিঙাই ওইবা য়াওখি। করিগুম্বা মশান্না অসি ওলিম্পিক গেমসকী মনুং চল্লক্লবদি ইন্দিয়াগী মেডল অমদি শুংশোয় শোয়দনা ফংলক্কনি হায়বগী অচৌবা থাজবা অদুসু থমখি।

# সিভিলানা দাইনামোবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে, দোর্টমুন নোক আওট ষ্টেজ য়ৌখ্রে, রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং লেজিয়া দ্রো চৎখ্রে



দাইনামো জাগ্রেবকী শান্নরোইশিংগী মরক্তা হেদ তৌদুনা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা সিভিলাগী ষ্টিবন জোঞ্জি

*সিভিল, নবেম্বর ০৩ ঃ*

য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ (ঐচ) কী মেটচ অমদা স্পেনগী সিভিলানা ক্রোএসিয়াগী দাইনামো জাগ্রেবপু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইদুনা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবগী অরোইবা তাঙ্কক অদুদা লৈখ্রে। জর্মনিগী বোরুসিয়া দোর্টমুন্দনা পোর্টুগালগী এস সি স্পোর্টিং লিজবোনবু থোইদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল নোক আওট ষ্টেজ য়ৌখ্রে। অদুগা স্পেনগী অতোপ্পা ক্লব রিয়েল মাদ্রিদনা পোলেন্দগী লেজিয়া ৱার্সোগা শান্নখিবা মেটচ অমদা পাঞ্জল ৩-৩ দা দ্রো চৎখ্রে।

স্পেনগী সহর সিভিলদা লৈবা রামোন সাঞ্চেজ পিজুৱান ষ্টেদিয়মদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ (ঐচ) কী মেটচ অমদা য়ুম্বু ওইখিবা সিভিলানা ক্রোএসিয়াগী ক্লব দাইনামো জাগ্রেবপু পাঞ্জল ৪-০ দা মায়থিবা পীদুনা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবগী লম্বেল নকশিনখ্রে।

মায় পাকখ্রবা সিভিলানা গ্রুপ অদুদা মেটচ ৪ দগী পোইন্ট ১০ ফংদুনা ইটালিগী জুবেন্টস ক্লবতগী পোইন্ট ২ হেন্দুনা মাঙজিল থাদুনা চৎলি।

জুবেন্টসকী গোঞ্জালো হিগ্বাননা পেনাল্টি অমা চলহৌদবা অদুগা ঙল্লিঙৈদা পাঞ্জল অমা চনখিবা অদুনা মরম ওইরগা ফ্রান্সকী ক্লব ওলিম্পিক লিওনিয়াজগা পাঞ্জল ১-১ দা দ্রো চত্তুনা মায়পাক্লমগদবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী লীগ মেটচশিংগী মনুংদা ঙরাং পোর্টুগালগী লিজবোনদা শান্নখিবা গ্রুপ (এফ) কী মেটচ অমদা জর্মনিগী ক্লব বোরুশিয়া দোর্টমুন্দনা য়ুম্বু ওইখিবা এস সি স্পোর্টিং লিজবোনবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইদুনা লীগ অসিগী নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু দোর্টমুন্দগী জুলিয়ান ৱেগলনা চনখিবনি।

গ্রুপ অসিমক্কী অতোপ্পা মেটচ অমদা পোলেন্দগী ক্লব লেজিয়া ৱার্সোনা ৱার্সো সহরদা লৈবা পোলিস আর্মি ষ্টেদিয়মদা স্পেগী মকোক থোংবা ক্লব রিয়েল মাদ্রিদকা শান্নবদা পাঞ্জল ৩-৩ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

মেটচ অদুদা পোলেন্দগী ক্লব লেজিয়ানা রিয়েল মাদ্রিদপু পাঞ্জল ৩-২ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখিবনি। অদুবু শান্নবগী ৮৫ শুবা মিনিটতা রিয়েল মাদ্রিদতা শরুক য়ারিবা ক্রোএসিয়া মচা মাটিয়ো কোবাসিক্না ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা মেটচ অদু মায়থিরমগদবদগী কনবা ঙমখি।

রিয়েল মাদ্রিদকী টিম অসিনা থা অসিগী ২২ দা পোর্টুগালগী এফসি লিজবোনগা শান্নগনি। মদুদা টিম অদুনা দ্রো চত্তুনা পোইন্ট অমা ফংলবসু গ্রুপ অদুদগী নোক আওট ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

ঙরাং লন্দনদা শান্নখিবা গ্রুপ (ই) গী মেটচ অমদা য়ুম্বু ওইখিবা টোটেনহাম হোটস্পরবু জর্মনিগী ক্লব বেয়র্ন লেভরকুসেননা পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখি।

লেভরকুসেনগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু কেবিন কেম্পলনা ৬৫ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা সিএসকে মোস্কোবু ইটালিগী মোনাকোনা ৩-০ দা থোইখি।

# ইন্দিয়াগী সিরিল ভর্মনা বেদমিন্টনগী জুনিয়র নম্বর ৱান রেঙ্কতা লৈবা ঙমখ্রে



*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৩ ঃ*

বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসনগী মায়কৈন্দগী খ্বাইদগী নৌনা থোকখিবা নুপাগী জুনিয়র শান্নরোইশিংগী রেঙ্কিং লিষ্টতা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ তা ওইরিবা সিরিল ভর্মনা নম্বর ৱান পোজিসন্দা লৈবা ঙমখ্রে।

সিরিল ভর্মনা হান্নগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বা থাইলেন্দগী কন্তাফোন ৱাং চারোনদগী নম্বর ৱানগী পোজিসন অদু মুনবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াবদি মমাঙগী চহীদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী সিরিল ভর্ম সিলভর মেডল ফংবা ঙমখি। মহাক্না চহী অসিগী সেনিয়রগী ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ টুর্নামেন্টতা সিদিং ফংদনা শরুক য়াদুনা শান্নবা ঙমখিবনি।

চহী অসিগী রুশিয়ান ওপন গ্রান্দ প্রি বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ভর্ম মালেসিয়াগী সেনিয়র শান্নরোই জুলফাদলিগী মখুত্তা মায়থিহৌবনি।




Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*